৮লক শুবা এম এন সী এ দব্লিয়ু প্রহ্লাদা এন্দ দব্লিয়ু রামানন্দ ইলিট টুর্নামেন্ট ২০২৩-২৪

হৌদোকপা নুমিৎতা সাইক্লোন, ঈ এস য়ু অমসুং চেম্প মায় পাকখ্রে

ইম্ফাল, মার্চ ০৮ (ঐচ এন এস): মণিপুর ক্রিকেট এসোসিএসননা শীন্দুনা ঙসিদগী হৌদোকখিবা ৮লক শুবা এম এন সী এ দব্লিয়ু প্রহ্লাদা এন্দ দব্লিয়ু রামানন্দ ইলিট টুর্নামেন্ট২০২৩-২৪গী ওইনা ঙসি শান্নখিবা তোঙান-তোঙানবা মেটচশিংদা সাইক্লোন থাংমৈবন্দনা মোদেল শীংজমৈ চীংঙামখা, ঈ এস য়ু ৱাঙ্খে পেলেস কম্পাউন্দনা ট্রাও ক্লাকৈথেল অদুগা চেম্প খাগেমপল্লিনা রুল মৈত্রম মায়থীবা পীখ্রে।

লাইরেঞ্জম পব্লিক গ্রাউন্দদা সাইক্লোন অমসুং মোদেলগী মরক্তা ঙসি শান্নখিবা মেটচ অদুগী টোস সাইক্লোননা ঙমদুনা হান্না ফিল্ডিং তৌনবা খনখিবদগী মোদেলনা হান্না বেটিং তৌদুনা শান্নখি। মোদেলনা বেটিং তৌদুনা শান্নখিবা ইন্নিংস অদুগী ওইনা ওভর ৪২.১দা টিম অদুগী ৱিকেট ১০ মক আউট ওইরগা রন ১৬৪ লৌবা ঙমখি।

সাইক্লোননা টার্গেট রন লৌবা ঙম্নবা বেটিং তৌদুনা শান্নখিবা ইন্নিংস অদুগী ওইনা টিম অসিগী বেটসমেনশিংনা চাংচৎতা শান্নবা ঙমখিবদগী ওভর ৪৩.৪ শুরকপদা ৱিকেট ৭ তুরগা টার্গেট রন হেন্দোক্তুনা পূন্না রন ১৬৭ লৌবা ঙমখিবদগী মেটচ অদু সাইক্লোননা ৱিকেট ৩দা থোইখিবনি।

লুৱাংপোকপা ক্রিকেট ষ্টেদিয়মদা ট্রাও অমসুং ঈ এস য়ুগী মরক্তা শান্নখিবা মেটচ অদুগী টোস ট্রাওনা ঙমদুনা হান্না বেটিং তৌনবা খনখি। ট্রাওনা বেটিং তৌদুনা শান্নখিবা ইন্নিংস অদুগী ওইনা ওভর ৪৪.২দা ৱিকেট ১০ মক আউট ওইরগা রন ১৯১ লৌবা ঙমখি। ইন্নিংস অসিগী ওইনা বেটসমেন প্রিয়োজিৎ কাঙবমনা বোল ৮৭ মায়োক্লবদা রন ৮২ লৌবা ঙমখি।

ঈ এস য়ুনা টার্গেট রন লৌবা ঙম্নবা বেটিং তৌদুনা শান্নখিবা ইন্নিংস অদুগী ওইনা টিম অদুগী বেটসমেনশিংনা চাংচৎতা হৈন-শিংনা মায়োক্লরিবা টিমগী বোলরশিংগী এটেকশিং মায়োক য়াদুনা ক্রিজতা মতম শাংনা খাঙদুনা লৈবা ঙম্বগা লোয়ননা রন রেটসু চাংচৎতা ফজহনবা ঙমখি। মদুনা মরম ওইরগা ওভর ৩৯.৪ শুরকপদা ঈ এস য়ুগী ৱিকেট ৮ তুরগা টার্গেট রন ১৯২ লৌবা ঙমখিবদগী মেটচ অদু ঈ এস য়ুনা ৱিকেট ২দা মায় পাকখিবনি। ঙসি শান্নখিবা মেটচ অদুগী মেন ওফ দি মেটচনা ঈ এস য়ুগী থোকচোম নিশিকান্তনা তাখি। মহাক্না বোল ৫৭তা রন ৫০ অদুগা ওভর ৯দা ৱিকেট ৪ লৌবা ঙমখি।

পব্লিক গ্রাউন্দ খাঙবোক পার্ট-৩ চেরাপুরদা রুল অমসুং চেম্পকী মরক্তা শান্নখিবা মেটচ অদুগী টোস চেম্পনা ঙমদুনা হান্না ফিল্ডিং তৌনবা খনখিবদগী অহানবা ইন্নিংসতা রুলনা বেটিং তৌদুনা শান্নখি। রুলনা বেটিং তৌদুনা শান্নখিবা ইন্নিংস অদুগী ওইনা ওভর ৩৯.৫ শুরকপদা ৱিকেট ১০ মক আউট ওইরগা রন ১৪৫ লৌবা ঙমখি।

চেম্পনা টার্গেট রন ১৪৬ লৌবা ঙম্নবা বেটিং তৌদুনা শান্নখিবা ইন্নিংস অদুগী ওইনা টিম অসিগী বেটসমেনশিংনা হৈন-শিংনা শান্নবা ঙমখিবদগী ওভর ২৫.৫ শুরকপদা শুপ্নতগী ৱিকেট ৪ তুরগা টার্গেট রন হেন্দোক্তুনা পূন্না রন ১৪৯ লৌবা ঙমখিবদগী মেটচ অদু চেম্পনা ৱিকেট ৬তা মায় পাকখিবনি।

২শুবা থোকচোম ইবোপিশক মেমোরিএল সুপর দিভিজন ফুটবোল লীগ

এল ৱাই এল এলনা আর এফ সী সী, টি ৱাই দি এনা লাশাল থোইখ্রে

ইম্ফাল, মার্চ ০৮ (ঐচ এন এস): ওল মণিপুর ফুটবোল এসোসিএসনগী মীৎয়েং মখাদা দি এস এ বিষ্ণুপুরগী মিনি ষ্টেদিয়মদা হৌজিক-হৌজিক চথুরিবা অনীরকশুবা থোকচোম ইবোপিশক (নিংথৌরেল) মেমোরিএল সুপর দিভিজন ফুটবোল লীগ ২০২৩-২৪গী ঙসি শান্নখিবা তোঙান-তোঙানবা মেটচশিংদা লৈমরাম য়াইফ লমজিং লূপ (এল ৱাই এল এল)না রিগ্যুলর ফুটবোল কোচিং সেন্টর (আর এফ সী সী) অদুগা টি ৱাই দি এনা লৈমপোকপম অপূনবা শান্নরোয় লূপ (লাশাল) মায়থীবা পীখ্রে।

ঙসি নুমিৎয়ুংবা মতুং পুং ১২.১৫ তাবদগী হৌরগা এল ৱাই এল এল অমসুং আর এফ সী সীগী মরক্তা শান্নখিবা মেটচ অদুগী ওইনা নাকল অনীমক্কী শান্নরোয়শিংনা বোল পায়বগী চাং মান্নখিবনা মরম ওইরগা পাঞ্জল চন্নবা হোৎনখিবশিং অরেম্বদা তানখি। মেটচ অদুগী ৩৬শুবা মিনটতা এল ৱাই এল এলনা পেনাল্টি কাওবগী খূদোংচাবা অমা ফংখি। পেনাল্টি অদু দিফেন্দর ওজিৎনা হৈন-শিংনা পাঞ্জল ওন্থোকপা ঙমখিবদগী অহানবা হাফ লোইবা ফাওবদা এল ৱাই এল এলনা ১-০দা মাংজিল থারগা লৈখি। অনীশুবা হাফ শান্নখিবা অদুগী ওইনা আর এফ সী সীগী শান্নরোয়শিংনা পাঞ্জল হন্দোক্লবা কন্না শান্নরকপদগী ৮৩শুবা মিনটতা টিম অসিগীসু পেনাল্টি কাওননবগী খূদোংচাবা ফংখি। খূদোংচাবা অদু দিফেন্দর য়ুম্লাম অঙানবনা পাঞ্জল ওন্থোকখি। অদুমওইনমক মেটচ অদুগী ৮৬শুবা মিনটতা এল ৱাই এল এলগী ইলাম রামজানিনা পাঞ্জল অমমুক চনবা ঙমখিবদগী মেটচ অদু এল ৱাই এল এলনা পাঞ্জল ২-১দা মায় পাকখিবনি।

অমরোমদা, ঙসি নুংথিল পুং ২.১৫ তাবদগী হৌরগা টি ৱাই দি এ অমসুং লাশালগী মরক্তা শান্নখিবা মেটচ অদুগী ওইনা টি ৱাই দি এনা লাশালবু পাঞ্জল ২-১দা মায়থীবা পীরমখিবনি। টি ৱাই দি এগী পাঞ্জলশিং অদু মেটচ অদুগী ৩ অমসুং ৭৫শুবা মিনটতা ফোরৱার্দ সোরাইসম সাগর অমদি কোন্সম রোহিটনা অমমম্ চনখিবনি। অদুগা লাশালগী অমত্তা ঙাইরবা পাঞ্জল অদুনা টিম কেপ্টেনসু ওইরিবা ফোরৱার্দ হুইদ্রোম জোটিননা মেটচ অদুগী ৮৯শুবা মিনটতা চনখিবনি।

কে এম ৱাই সী অমসুং য়াওল ক্লব মায় পাকখ্রে কে ৱাই সী অমসুং এল ঈ সী দ্রো চৎখ্রে

ইম্ফাল, মার্চ ০৮ (ঐচ এন এস): থা অসিগী ৬তগী হৌরগা ওল জিরিবাম স্পোর্টস এসোসিএসন (ও জে এস এ)না শীন্দুনা জিরিবাম হায়র সেকেন্দরি স্কুলগী শান্নবুংদা টিম ১৫না শরুক য়াদুনা চথুরকখিবা অহানবা দিষ্ট্রিক্ট লেভেল ৫-এসাইদ মিনি বোইজ অন্দর ১৩ ফুটবোল টুর্নামেন্ট ২০২৩-২৪গী ওইনা ঙসি শান্নখিবা তোঙান-তোঙানবা মেটচশিংদা কে এম ৱাই সীনা ঈচেল ক্লব অদুগা য়াওল ক্লবনা এস বি এন ৱাই সী মায়থীবা পীখ্রে। অতোপ্পা মেটচ অমদনা কে ৱাই সী অমসুং এল ঈ সী দ্রো চৎখ্রে।

টুর্নামেন্ট অসিগী ঙসিগী অহানবা মেটচ ওইনা কে এম ৱাই সী অমসুং ঈচেল ক্লবকী মরক্তা শান্নখিবা মেটচ অদুগী ওইনা কে এম ৱাই সীগী শান্নরোয়শিংনা বোল হেন্না পায়দুনা লাকচনা শান্নবা ঙমখিবদগী মেটচ অদুগী হৌগৎলকপা অহানবা মিনটতা সবিবুল হুসেননা পাঞ্জল অমা চনখি। মদুগী মতুং ৫শুবা অমসুং ৮শুবা মিনটতা রাবুলনা থংন-থংননা পাঞ্জল অনী চন্দুনা অহানবা হাফ লোইবা ফাওবদা কে এম ৱাই সীনা পাঞ্জল ৩-০দা মাংজিল থারগা লৈখি।

অনীশুবা হাফ শান্নখিবা অদুগী ২৩শুবা মিনটতা ঈচেল ক্লবকী ফরুকউদ্দিননা পাঞ্জল অমা হন্দোকপা ঙমখি। মেটচ অদুগী ৩১শুবা মিনটতা কে এম ৱাই সীগী অব্দুল রেজরনা মখা তানা পাঞ্জল অমমুক চনবা ঙমখিবদগী মেটচ অদু কে এম ৱাই সীনা পাঞ্জল ৪-১দা মায় পাকখিবনি।

কে ৱাই সী অমসুং এল ঈ সী টিম অনীগী মরক্তা শান্নখিবা মেটচ অদুগী ওইনা নাকল অনীমক্কী শান্নরোয়শিংগী হৈ-শিংবা মান্নখিবনা মরম ওইরগা অমনা অমবু লাকচনা শান্নবা ঙমখিদে। মদুনা মরম ওইরগা মেটচ লোইবা ফাওবদা নাকল অনীমক্না পাঞ্জল অমত্তা চন্নবা ঙমখিবদগী মেটচ অদু পাঞ্জল ০-০দা দ্রো চৎখিবনি।

অমরোমদা, এস বি এন ৱাই সী অমসুং য়াওল ক্লবকী মরক্তা শান্নখিবা মেটচ অদুগী ওইনা য়াওল ক্লবনা পাঞ্জল ২-১দা এস বি এন ৱাই সীবু মায়থীবা পীখিবনি। য়াওল ক্লবকী পাঞ্জলশিং অদু মেটচ অদুগী ১৭ অমসুং ২১শুবা মিনটতা মথংশিংনা থোইথোইবা অমসুং মঙ্গোলনা অমমম্ চনখিবনি। অদুগা এস বি এন ৱাই সীগী অমত্তা ঙাইরবা পাঞ্জল অদুনা ২৭শুবা মিনটতা চিরঞ্জিৎনা চনবা ঙমখিবনি।

মণিপুরনা গোল্ড ২, সিলভর ১ লৌখ্রে

ইম্ফাল, মার্চ ০৮ (ঐচ এন এস): থা অসিগী ২দগী হৌরগা ৪ ফাওবা থাইলেন্দগী পটায়াদা য়ুনাইটেদ ৱর্ল্দ স্পোর্টস ফিটনেস এন্দ ফেদরেসননা শীন্দুনা পাঙথোকখিবা মিষ্টর এন্দ মিস গেলেক্সি ২০২৪দা ইন্দিয়া রিপ্রজেন্ট তৌদুনা চঙখিবা মণিপুরগী শান্নরোয়শিংনা গোল্ড ২ অদুগা সিলভর ১ লৌবা ঙমখ্রে হায়না মণিপুর এমেচর বোদি বিল্ডর্স এসোসিএসনগী জেনরেল সেক্রেটরি এস জয়চন্দ্র মীতৈনা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়রি।

চেরোল অসিগী মতুংইন্না সিনিয়র মেন্স বোদি বিল্ডিংদা মণিপুরগী চোংথাম মোমোনা গোল্ড লৌখি। অদুগা মেন্স ক্লাসিক বোদি বিল্ডিং (ওপন)দনা মরিশুবা মফম কনবা ঙমখি।

অমরোমদা, নেচরেল বোদি বিল্ডিং (ওপন)দা পোৎশংবম বিনোদ মৈতৈনা গোল্ড লৌখি। অদুগা জুনিয়র মেন্স বোদি বিল্ডিংদনা সিলভর মেদল লৌবা ঙমখিবনি।

চেম্পিয়নশিপ অসিদা ইন্দিয়া রিপ্রজেন্ট তৌদুনা চৎখিবা টিম অদুগী কোচ অমসুং টিম মেনেজরনা মণিপুরগী রনধির থিয়ামনা ওইখি। মহাকপুসু ইন্টরনেসনল লেভেলদা গেষ্ট ওফ ওনর ওইনা ইকাই খুম্নবা উৎখিবগা লোয়ননা শান্নরোয়শিংদা মেদল, সর্টিফিকেট অমদি মমেন্টো ট্রোফিশিং খূৎশিন্নরকখি হায়রি।

আই এফ সীনা কে ৱাই সী (এন) থোইখ্রে

ইম্ফাল, মার্চ ০৮ (ঐচ এন এস): ইম্ফাল ৱেষ্ট দিষ্ট্রিক্ট ফুটবোল এসোসিএসনগী মখাদা তৌবুংখোক্তা লৈবা বি এম এস সী গ্রাউন্দদা চথুরিবা ২৩শুবা সুপর দিভিজন ফুটবোল লীগকী ৮শুবা মেটচ ওইনা ঙসি আই এফ সী অমসুং কে ৱাই সী (এন)গী মরক্তা শান্নখিবা অদুদা আই এফ সীনা কে ৱাই সী (এন)বু লাকচনা থোইবা ঙমখ্রে।

ঙসি নুংথিল পুং ১ তাবদগী হৌরগা টিম অনীগী মরক্তা শান্নখিবা মেটচ অদুগী ওইনা আই এফ সীনা বোল হেন্না পায়দুনা লাকচনা শান্নবা ঙমখিবদগী মেটচ অদুগী ১৮শুবা মিনটতা আই এফ সীগী হিকসিন মুইলুংনা অহানবা পাঞ্জল চন্দুনা হাফ লোইবা ফাওবদা পাঞ্জল ১-০দা মাংজিল থারগা লৈখি।

অনীশুবা হাফ শান্নখিবা অদুগী ওইনসু আই এফ সীনা লাকচনা শান্নবা ঙমখিবদগী মেটচ অদুগী ৫৮ অমসুং ৯৪শুবা মিনটতা টিম অদুগী ঙাওভৈসা অমসুং মাসুংয়ারনা পাঞ্জল অমমম্ চনবা ঙমখিবদগী মেটচ অদু আই এফ সীনা পাঞ্জল ৩-০দা লাকচনা থোইখিবনি।

শান্নরোয়শিংদা মিনিষ্টরনা য়ুনিফোর্ম য়েন্থোকখ্রে

ইম্ফাল, মার্চ ০৮ (ঐচ এন এস): বিহারগী পাটনাদা লৈবা পটলি পুত্রা স্পোর্টস কমপ্লেক্সতা থা অসিগী ১০দগী হৌরগা ১৪ ফাওবা পাঙথোক্কদৌরিবা ৬৮শুবা জুনিয়র নেসনল বোল বেদমিন্টন চেম্পিয়নশিপ ২০২৪দা শরুক য়ারুগদবা শান্নরোয় নুপামচা অমসুং নুপীমচাশিংদা মাহুদ অমদি আর দি এন্দ পি আরগী মিনিষ্টরসু ওইরিবা বোল বেদমিন্টন এসোসিএসন মণিপুরগী চীফ পেট্রোন য়ুম্নাম খেমচান্দনা স্পোর্টস য়ুনিফোর্মশিং য়েন্থোকখ্রে।

ঙরাং চীংঙামখাদা লৈবা লুৱাংপোকপা লম্পাক বাস্কেটবোল গ্রাউন্দদা নুংথিল পুং ৩.৩০ তারকপদা মিনিষ্টরনা নুপামচা অমসুং নুপীমচা শান্নরোয়শিংদা য়ুনিফোর্মশিং অদু য়েন্থোকখিবগা লোয়ননা পূক্নিং থৌগৎপা ৱাফম কয়া ফোঙদোকখি অমদি মতম পূম্বদা থকশি-খাশি লৈনা শান্ননবা পাউতাকশিংসু পীখি।

য়ুনিফোর্ম য়েন্থোকপগী থৌরম অদুদা বোল বেদমিন্টন এসোসিএসন মণিপুরগী প্রসিদেন্ট লাইফ্রাকপম কুমার, বোল বেদমিন্টন ফেদরেসন ওফ ইন্দিয়াগী ভাইস প্রসিদেন্ট থোকচোম তোম্বা অমসুং এসোসিএসনগী থৌ পুবা ওফিসলশিং য়াওনা শান্নরোয়শিংগী অহল-লমনশিংসু শরুক য়াখি। পাঙথোক্কদৌরিবা চেম্পিয়নশিপ অসিদা শরুক য়ারুনবগীদমক মণিপুরগী জুনিয়র টিম হয়েং ইম্ফাল ইন্টরনেসনল এয়রপোর্ট থাদোক্লগনি হায়না এসোসিএসনগী চেরোল অমনা হায়রি।

[illegible]

ꯏꯝꯐꯥꯜ, ꯃꯥꯔꯆ ꯰꯸ (ꯑꯩꯆ ꯑꯦꯟ ꯑꯦꯁ): [illegible]

HUEIYEN LANPAO DAILY CHESS PUZZLE



PUZZLE NO. 1072

G. Alborch - E. Llobell
Massanassa U14, 1995

1.e4 e5 2.Nf3 f5 3.Nxe5 Qf6 4.d4 fxe4 5.Nc3 d6
6.Nc4 Qf7 7.Be2 Nf6 8.Bg5 Be7 9.Ne3 Nbd7 10.O-O c6
11.Qd2 d5 12.f3 exf3 13.Bxf3 Nb6 14.Rae1 Be6 15.b3 O-O-O
16.Bg4 Bd7 17.Bxd7+ Nbxd7 18.Nf5 Bb4 19.Qd3 g6 20.Ng3 Qg7
21.Re6 Rdf8 22.Kh1 Bxc3 23.Qxc3 Ne4 24.Rxf8+ Rxf8 25.Qe3 Qf7
26.Re7...

QUESTION :
Black to win

Puzzle 1071 Solution :

36. Qc7+ Ke6 37. Rg6+ The white rook deflects Black's queen away from protecting the square e7. **Qxg6 38. Qe7#** Swallow's tail mate
1-0

[illegible]

PH.D. AWARDED

Sanjenbam Bidyasagar Singh, S/o. S. Mohendro Singh and S. Ibetombi Devi of Irengband Mayai Leikai, Kakching District has been conferred the degree of Doctor of Philosophy in Fisheries Resource Management by ICAR-Central Institute of Fisheries Education (Deemed University), Mumbai for his thesis entitled **"Trophic relationship and ecosystem functioning of Maphou reservoir Manipur"** under the guidance of Prof. Yumnam Bedajit Singh (Major Supervisor), Head, Dept. of FRM, College of Fisheries, CAU(I), Lembucherra, Tripura.

Dr. S. Bidyasagar Singh is an alumnus of JNV Kakching & Central Agricultural University, Imphal. He has cleared ICAR-NET 2019 and published many research articles in reputed journals. He is currently working as Assistant Professor at Centurion University of Technology & Management, Odisha.

With Best Wishes
Shri W. Naran Singh & W. Shakhi Devi
Prof. Gusheinzed Waikhom & W. Nungshitombi
Thoubal Melaground

HL-P/9910/9

Likla
লৌমী শিন্মী য়োকখৎসি
ইরমদমগী পোত্থোক শীজিন্নসি
Likla PASSION FRUIT DRINK
Likla PINEAPPLE DRINK
Likla PINEAPPLE DRINK
Processed from organically grown fruits of Manipur
Thangjam Agro

HL-B/8592/3/3-30/3 (alt)


Government of India
cbc 22201/13/0336/2324
মোদি সরকারগী গরেন্টী
ইন্দিয়ানা মালেমগী অহুমশুবা খ্বাইদগী চাওবা ইকনমি ওইরগনি
ইন্দিয়ানা হৌখিবা চহী ১০ অসিদা ১১শুবা মফমদগী ৫শুবা মফমদা লৈরে
অকুপ্পা মরোলগীদমক স্কেন তৌবীয়ু
ঐখোয়গী ৱাশক্তি ভারত চাওখৎহনবনি

Printed, published and owned by Soubam Niladhaja Singh, published from Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal West-795001, Manipur & printed at M/s. Kangleipak Printers, Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal West-795001, Manipur
Editor : Maibam Dhanabir Meetei; Telephone Nos. 0385-2440771/2445104/2445106, e-mail:hueiyen_lanpao@yahoo.co.in, hueiyen_lanpao@rediffmail.com